"পুন্সিবু করম্বা শেন্দোংগী কৈথেলনো? অপাম্বা পোৎতুনা ঐ ঐগী শেন্দোংনি।"
- অরাম্বম সমরেন্দ্র (সনাতোম্বী)

## জুন ১৮না লাকপদা

—ডা. অকোইজম ইবোহল

হো ইমা পোক্লফম ইমা
খোইরি নুংশাং তাফম ও
ৱারবরনে নঙবু ইমা ও
খোমলেন ঐগী মঙলানদা
তোয়না তোয়না লাকপীদুনা
হিক্লা হিক্লা পিরাং শিন্থবৈ
মরমদি খঙজৈদো নচানা।
কৌব্রুনা লুরেন ওইরিবী
ইমাগী খৌরি চরমদা
মেৎলকপা করি য়াওবননো
নীংশা শ্বর ফুনগৎতুনা
নমিৎ নমাই মুশিল্লিবা
নহাক্কী নচৎতি নত্তেদো
লোইনা খঙজৈ নচানদি।
ঙাকলৌ থম্বাল ওইরিবা
থাংজিং চীংশাং নাপোমদৈ
চাকখৎলকপা লাম্মৈনা
খ্বাং য়ৌরক্লা মতমদা
শন্দ্রেম্বী মমানা লাউবগুম
ইমানা তেংথা নাওইবদো
খোমলেন মঙদসু তারেদো।

## উচিগী লমন

—মুতুম শান্তি

মমল নাইদ্রবা মীওইবগী
পুকচাক ওইরিবা ফৌ
চাথোক্লি মফম খুদিং
কৈদা থম্মী চাথোক্লি
বোড়াদা থম্মী চারম্মী
উচি নহাক্লা চাদনবা
উদনবা, ফংদনবা
হোৎনবনি মীওইবনা
নহাক্লা অসুম ঙমদুনা লৈ;
মীওইবনা লৈরিবমখৈ
করিসু ৱাৎলোই নহাক্কী
পাক্লবা ঈমাই চোল্লবা
ঈপাক্তগী পুবিরকখি
তাজৈদো, নহাক্কী নগুননা
নথৌনানা, লানবীরকখি
ফৌ চরোং, ফৌদি ওইনখি,
তাইবঙ মীনা লানবা ঙমদ্রবা
পাক চাউরবা ঈপাক্তগী,
ৱাশক পন্দোম লোম্নখি,
হে তাইবঙ মীওইবা
ঙসিগী ঐনা লৌরুগদৌরিবা
ফৌ চরোং অসিনা নখোয়গী
পুকচাক ওইরবা মতমদুদা
উচি ঐখোয়গীসু শরুক য়াওহনবীয়ু
য়ান্নখি হে মীওইবা।

## 'মৌ অনৌবীগী কোকখুম ময়ানা থৌরবা থাঙ ময়াদৈ হেন্না থৌই'

—বি মঙাং

মমা য়েংলগা মৌ থিয়ু হায়নৈ
চুম্মীরা লাল্লিরা হায়দি হায়নরে।
য়ূম্বুদু মচানুপী ময়ামদুগী মরক্তা
নুপা অমখক্তং তোমথিন য়াওরি
খূৎশা মঙামক মান্নদবগুম মীওইবগী
নুপাদু মচে ময়ামদৈ পুমতোপ তোপ্পী
মচেশিংদৈ মগুন তোঙান্না তাই
ৱাৎত পাদবা ইমুংনি, লৈকায়দুদা
মীনদি কয়া নুংশিনদে, ইমুংদু
মখোয়গী তাখৎপা চাওথোকপা মতৌদুদা
মরল মথুম মরাং কায়রবনিনা, কনা উদে
মচানুপীশিংসু মঙায়রে, থোইজৎনরিবা
মহৈ মশীনগী লম্দদি মনীং খোমহৌরে।
শেল পায়রগা লোইরে, কৈনো খনবা মচানুপীশিংনি
মখোয়গীদমক ৱাজরকপা মপাবুং, হেদু নাহে চল্লবা
থোয়না লুম্না খল্লুদে, মখোয় অদুক য়াম্বদু
মমাসু মঙায় ঙকচাউ থেকপীনি।
শুপ্পগী চা গ্লাস অমা ফাও, হরাওনা পীথক্লিংদে
করি লাল্লুবগীনো, য়ূম্বদু ৱাখল তাবা ঙমদে
মখোয়সু নোংমদি মখোয়গী অশেংবা য়ূমদা
মনেম মকু থৌগল তৌবা চৎতোয়নি থাজদে!
খুজিল অশাংবদু মচু তৈবগী থবক চিল্লিবা।
মশমদুসু ক্লাক্লা ৱাহোং মতু থেৎচিনবগুম
শোয়দে য়ূমগাইবী ওইবা, ৱারক ৱাতেম য়াদবীশিংদু
মপা মমা থৌগল তৌনীংদবীশিংদু, চেনদৌরিবনি অমুক
শোল্লবা মপাবুংগী তোমথিন পোকপা মচানুপাদু
নোংগৌবীনা লাইজ ঙাইদৌনা লাকপা ঙাইরি
তম্বা য়াবা তম্মুরে, খঙবা য়াবা খঙউরে
পুরক্লে মোঙবা মরানয়াইদা পুন্সি খোঙলোই অমা
তম্ফমশঙদা শকখঙনরকপী, লাইশু খঙবী অমা
লৈত লায়রবৈ মৈখু চুরবী থৌগল্লোন খঙবী অমা
মপাবুং পূক্লিং মকা লামখ্রে শ্বর হেক হোন্দোকইদা!
মৌ অনৌবীগী কোকখুমগা লোয়ননা
পুরক্লে অচা অথক, শোল্লবা মকুবোক্কী নাক্তা
মিৎলুগী পিরাং শিন্থরকই, পাইমা পূক্লিং নুংশিরকই।

## লংদাই

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

কোভিদকী চৈথেং
কোক্ত্রিঙৈ লমদম অসিদা
ঙসিদি অনৌবা লায়না,
খূৎশেমগী লায়না অমনা
মায়কৈ পূম্নমক মৈরিনা
মৈৱাইদুনা মৈশা লাংলে।
হকচাংগী কয়াৎ পূম্বা
পেরলাইজ ওইরে
শিবা, চংবা অনীগী
লংদাইদা লেপ্পুনা
নুংশা-শ্বর হোনবদা ৱারে।
ওমচাক্লরবা মৈখু-লক্তা
পিরাং শিন্থরবী ইমা
মৈতৈ চনুরা কয়ানা
থম্মোয় শোক্লা পাউদমলি,
কনানবু তারিবা
উদবরা নখোয়বো
মীয়ামগী মীহুৎনি হায়বশিংদো
নখোয়দি তৌশিন্নবনি
ওইদা পাদবা খরনা
নখোয়গী অশেংবা ফিজোলনি।

## অঙৌবা অরাংবা খায়দোক্লবরা?

—এম নিলকুমারি

অঙাংবা ঈগী মচুনি,
ঈখেংলক্তা থরো থরো ওল্লিবা।
ঈগী মচুসিবু অঙৌবা-অরাংবা-অমুবা
মচু ওনখ্রবরা?
মালেম ইমানা তেংথারি
শুক্লা মল্লবা অহিংদা-শল্লাং ফানা চেন্থোরক্লি।
মচাশিংবু খূৎ হত্তুনা কৌথোকপীগুল্লি।
থৱায় য়াওদ্রা' হকচাং পোলাং কয়ানা
তেংপাক লৈতুমগুম তা-তাদুনা লৈরিবা
লৈনুংদসু ফুমজিনবা।
লৈথক্তসু হুন্দোকপা
ঈগী মচু মান্নদ্রবরা?
হকচাং পোলাংশিংদুগী থৱায়শিংনা
লমগী খুনু ওন্দুনা
কোইপাই কোইপাই পাইরি
মালং মাগী শহুমদা শাগল তুফাং খপ্পুনা।
উরোক অঙৌবা মাগী মাগী থৱায়গীদমক
পুংবা-জুড়া থিদুনা পাইরম্বনি;
অদুবু মাঙখ্রে নামা-নামা তাদুনা
চিঙ্গাক চাগনি কাউবগুমলে।
মালেম ইমা নুংশিবী : কৈদৌঙৈনো উনাপাক তাগদবা
ঈংহনবীরো নুমিৎ থা থৱান
নখোয়গী নথৌ নৎত্রে নুমিৎ শিংবুম য়াল্লক্লে
রমায়নগী হনুমান লঙ্কা তুম্না মৈৱাইবদি
সতি সিতাবু কন্নবা নৎত্রনে?

## পোক্লফম ইমা

—রাজেন থৌনাওজম

করিগী তূমিন্না ফল্লিবা
করিগী শল্লাং চোইজাইনরিবা
করিগী পিরাং শিন্থরিবা
করিগী হিক্লা কপ্লিবা
ইমাগী ফিজি নেৎলকপরা
ইমাগী লমখৈ শীংনরকপরা
ইমাগী মীংচৎ থীহল্লকপরা
ইমাগী পুৱারী খোঙ্গোইনরকপরা।
নচাশিংনা হংলিয়ে
ইমা নঙবু ৱারবরা।
য়েক্ল' মায়োক য়ানবা
কনা লৈতে খনবরা
অথৌবশিংগী তুংইনবা
কনা লৈতে খনবরা
ইমাগী ফিজি খোমগৎপীনবা
কনা লৈতে নীংবরা
হিগী হিমাই চুম্বীনবা
হিনাও শাবা উদ্রবরা?
নচাশিংনা হংলিয়ে
ইমা নঙবু ৱারবরা?
ইমাগী চোইজাইনরিবা শল্লাং পুনশিনবীরসি
মীৎলু পিরাং তৈথোকপীরসি
য়েংঙুনে ইমা অমুক্তং
ইমাগী মাঙদা লেপ্লিয়ে
নুংশাগী মৈশা খাঙদুনা
অৱা কয়া কাউদুনা
অপূনবগী খোল্লাউ লাউদুনা
নচা চান্মা চান্মনা।

## লান পামদ্রসু

—ডা. নির্মলা রাজকুমারি

থৌনা ফৰী মৈতৈ নুপীগী ৱারী
সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরবা
পুৱারীগী লমায়দা
থোকখিবা নুপী লান অনীগী।
হৌজিকসু অমুক হৌরক্লে শেম শাবা
অহুমশুবা নুপী লান অমগীদমক
থৌনা ফৰী মৈতৈ নুপীশিং
থোরক্লি অহিং নুংথিল নাইদনা
অকিবা অমত্তা য়াওদনা
হৌনরুবসু তৌদনা
কন্ননবা মমা লৈবাকপু।
নাথৈরল্লগা ময়ূমগী থৌগাইশিং
থোরক্লি থৱায় মাঙবা কিদনা
কোক্তা কোকশেৎ শেৎ
খূৎতা মৈরা পায়
থেংনরি খূৎলায় পায়বশিংগসু
হন্দ্রি মৈতৈ নুপাগী থৌনা।

## 'নহাকপু কদাইদনো?'

—অঙোম ইবোমচা

তাইবঙগী হকচাং পোলাংনুং'সিদা
শুক্লা মল্লবা হায়নীংঙাই লৈতনা
উঙমদনা লৈরিবা শকউদবা নঙবু।
লৈ হায়বদি খঙহল্লি নঙনা
উদি খক উহন্দে
ঙান্ন-মল্লবা তাইবঙগী মিৎ'সিনা।
চৎপা ওৎপা, শুবা নোম্বা
তূম্বা চাবা, হিপ্পা কপ্পা
নঙগী থৌজালতনা ঙল্লিবনি।
খোঙ্জেলসু নঙগীনি
পাঙ্গলসু নঙগীনি
নঙগী থৌজালতনা ঙল্লিবনি।
শিবসু নাইদে হায়নৈ নঙদি
ঈশিংদসু তুমদে হায়নৈ নঙদি
মৈনসু চাক্তে হায়নৈ নঙদি।
হাঙল-মালংদবু তিনব্রা?
লাইজ ঈরোলনুংদবু লৈব্রা?
নহাকপু কদাইদনো?
নহাকপু কদাইদনো?

মতম মতমগী ৱাখল

# করিগী পিছ কমিটিগী মেম্বরশিপ্তুগী তোকলকখিবনো ?



মীনা য়াম্না হংলকখি। পাউখুম ইরায় লায়। হীরমসিদা ঐদি করিমত্তা খঙবা লৈতে,খঙজদে। সিমু ৱাই শংবা লৈত্রে। ঐনা খঙজবদি- ঐগী নাৎ,জগোয় ঈশৈ,লোল,চৎনরকপা শাজৎ,থক্সি খাসি,লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমীশিং,লমদমসিগী পুৱারী,ঙমখৈ পরিং,চীং পাৎ তুরেল,খূন্দামিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংগী নক্লবা লৈনরিবা মরি,লমদমসিগী চীং-পাৎ তুরেল,শা-ঙা,উরি-উপাল, হৈরোল-লৈরোলশিং অমদি অরীবা নাৎকী পোৎলমশিং,অহল লমন, ওজাশিংনা তাকপীবা, হংজরগা খর-খক খঙজবতনি। মসিবু ঙাক শেনজবা অদুতনি। লৈঙাকলোনগী, রাজনিতি-কুতনিতি,ৱাচৎ-ৱানোম,শেঙ্গা থুমজা,তাৎ-পাৎ,ওইদ-পাদবা,মশাগী কান্না থিবা, লৈপাক নীংবা শাবা,তৌশিন্নবা,শীংনবা অসিমদি ঐগী ওইনা য়েমৌনজবনি। অখণ্ড অহৈ য়াম্না লৈ, অখণ্ড-অহৈশিংনা শেন্লিবা কমিটিদা য়াওফম থোকই।

নুমিৎ নিফুনি হেন্না মীশি মীনা থোকখ্রে। য়ূম-কৈ কয়া মৈনা তূম্না থানখ্রে । প্লেন্দা পুরকখিবা য়াম্লবা সিফাইনা হৌজিকসু ইম্ফাল ময়োন্দা য়ুংলগা করিমত্তা তৌদনা লৈরি। ঙাকপী শেনবীগদবা সিফাইনা মীচমদা ওনশিল্লি। মীফৎতশিংগা খুৎ থোক্লবদা, খাম্ববীগী মহুৎতা নুমিৎ কয়ানি খামফু তৌদুনা লাক্লগা হৌজিক্তা শংদাইননবা,খৎনবা খাম্নবা শেমলকপা কম্মাটি অসিদা য়াওহনবা থেংনা ফরকপা থাবলনি হায়না লৌজখি। মৈতৈগী য়ূম-কৈ কয়া মৈ থাদোকপদা নত্তনা মীওই কয়াগী থৱায় মাঙখ্রবা,অশোক অপন কয়া নঙহল্লিবা, মচা মপুরোইবা কায়নবগী মীকপ মীরাওখোলনা থল্লবা,লাঞ্জেন্নবা লোইদ্রিবা,মাঙবা য়াবা তূম্বা য়াবা মৈতৈগী খুল কয়াগী মৈখু মুৎত্রিঙৈ মরক অসিদা শান্তিগী খোল্লাও লাওনবগী সত্রংগী পোগুম খোংবী খোংনাও ওইজনীংদে। ঙল্লিঙৈ,মতম চারিঙৈদা শেম্বীরম্বা ওইরগদি হরাওনা খঙলবসু খঙদ্রবসু শীন্নবীরকপা থৌদাংদা শরুক য়াজরমগনি। লৈপাক্কীদমক কথোকপীখিবা লমদমসিগী মীয়ামগী শোরাৎ লোইদ্রি, য়ুমমাং-কৈমাংবা য়াওনরি, ইচে ইচলশিং, ইমা ইবেলশিংগী মীকপ মীরাউখোল লেপত্রি, অশোক অপনশিং ফগৎলকত্রিবনা, মখোয়গীদমক অৱা নুংঙাইতবদা শরুক য়াজখিগে হায়বসি ঐগী ওইবা অচম্বা পাউখুম্নি। লাইরিক তমজরিবা মহৈরোয় কয়া লাঞ্জেন্নরি,অশোক অপন নংবতা নত্তনা লৈখিদবসু য়াওরি । থোক্লিবা ঈরাং অসিদা নুংশিজরবা চমজবা কুকি মহৈরোয়শিং,ওজাশিং,তম্পাক্কী লোয়শঙশিংদা থবক তৌজরম্বা কয়া, মরুপ মপাং কয়া য়েক্লবা ওইনা লৌনখ্রে। লোয়না লাঞ্জেন্নখ্রে মখোয় অমুক উন্নগনি থাজদ্রে। কুকি লমহেনবা খরনা চৎথরকপা লালহৌদা চমজরবা কুকি মরুপ মপাং কয়াগা মরী তৎনহল্লি। মৈতৈ চমজবা কয়া অমসু মীতোপ কুকিশিংনা মীকপ মীরাউখোল তাহল্লি । পূম্নমকসি হৌরকপা মতমদা মখা তারক্তনবা পাম্বৈ য়েংহৌদবা, মতম শাংনা তূমিন্না লৈখিবদগী মীয়াম্না খোইশাওনবা হেল্লকপনি। লমদমসিগী ইকায় খূম্নজরিবা তম্পাক্কী এম এল এশিংসু লৈপাক্কী খন্দবা মীদি য়াওরমলোই । মখোয় তূম্মিন্না লৈথোকপা নত্তে। পেন্দবগী মীয়াম্না মখোয়গী মথক্তা হায়বনি। ওইনফম তাইনফম মখোয়গী মথক্তা নত্তনা কনাদবু তাইনরুগনি ?

লৈপাক অমা খুন্নাই অমা হায়বসি মরু ওই। নিংথৌ পাল্লকপা লৈপাক্লি ঐখোয় লোয়নমক্লা খঙলি। লুচিংবা অমা য়াওদনা লৈপাক খুন্নাই অমা শেম্বা য়াদে। লৈপাক নিংথৌদি ঐখোয়না লাইনি হায়না নীংনরকই। মহাক্কী মফমদা ইকায় খূম্নরকই। ঙসি নিংথৌ পান্দ্রবসু ঐখোয়গী লৈঙাকলোন লৈরি। কন্সটিট্যুসন অমগী মখাদা মীয়াম্না লুচিংবা খন্দুনা লৈঙাক্লি। ঐখোয়গী লুচিংবদি চিফ মিনিষ্টরনি । মহাকপু ইকায় খুম্নবা,মহাক্কী মফমদা থাজবা থম্বা হায়বসি ঐখোয় লৈপাক মীয়ামগী থৌদাংনি। চিফ মিনিষ্টরগী হেক মখাদা লৈরিবসি এম এল এশিংনি। মখোয়সু নিংথৌ পানবা তারগদি চপ মান্নরিবনি ঐখোয়না ইকায় খুম্নগদবনি। মীশক মীওই ওইনা নত্তে,ফম অদুদনি। কনাগুম্বা ফমথোল অসি পায়খ্রবা মীওইশিংনা,লৈপাক মীয়াম অসি মখোয়গী মখাদা লৈবনি, মখোয়না তৌনিংবা তৌবদা অপনবা অয়েৎপা পীবা য়ারোই হায়বগী মওংসি উৎলকপা এম এল এ, মন্ত্রি খরসু থেংনবগুম তৌবা য়াওখি। মীয়াম্না খল্লগা থাগৎপীরকপনি চহী মঙা মঙাগী থৌদাংনি হায়বসি কাওথোক্লবগীনি। মীয়ামগী খোল্লাও তাবগী মহুৎতা,ঐখোয়না লোয়না খঙই ঐনা, ঐখোয়না হায়বসি ইনগদবনি হায়বগুম চাউরপ্পা,পৌরপ্পা ৱা ঙাঙবসু তারকই। মসিদগী মূক্লবা থোকলকই। অরীবা লাইরিক্তা 'নুমিৎ কাপ্পা' হায়বা অমা ইপা ইপুশিংনা ইরগা থম্বীরম্মী । খ্বাই নুংজ্রেং পিবানা নুমিৎ কাপখি। মনাইনা মপুদা খুৎ থাবা তৌহৈদে হায়দুনা চুকশা থৌরম অমুক পাংথোকখি। মসি ঐখোয়না কাওফদবা অমনি।

ঐখোয়গী লুচিংবদা হায়হৈদবা হায়বা, ইকায় খুম্নদবা হায়বসি থৌগল্লোন খঙদ্রবা,হৌন লোনচৎ খঙদ্রবনি। অসিগুম্বা অসি ঐখোয় তম্পাক্কী মৈতৈশিংদদি লৈনরক্তে । ঐনা লন্নাই ওইনা নুংঙাইখিদবদি- মেগী তাং ৩ চুরাচান্দপুরগী ফিমু শেৎপা কুকি নহা অহল ময়াম্না ঐখোয়গী ইকায়খূম্নজরিবা চিফ মিনিষ্টরবু মিংগা কোন্ননা অকাম্বা ৱাহৈনা মৈতৈলোন্দা লাওরগা চৎখিবা উরুবা তারুবদগী অদুম নুংঙাইতবা হৌখি। হৌনবা খঙদবা, চিন লৈ কেনগদবা ৱাহৈ অদু চুরাচান্দপুরগী কুকি কাঙলুপ অদুনা হায়বা ঙল্লিবদুনা তাকপদি মখোয় লমদমসিগী য়েলহৌমী নত্তে হায়বসিনি। থকশি খাশি লৈতবা, মীতোপ মীরানচাশিং অসিদি মতম অমা লৈমা নিংথৌ পাল্লিঙৈ ওইরল্লবদি ফারগা নুঙ্গোইবীদা লালু চল্লনল্লগনি। ৱাহৈ অসিমক ঙসিগী হৌজিক্কী মতম অসিদদি মীওইবগী হক খোঙ্গাওনরে হায়দুনা হায়হৈদবা অমনি। ফনা পেন্দ্রবসু, য়ানীংদ্রবসু ঐখোয়গী মিনিষ্টরশিং এম এল এশিংদা অদুগুম্বা খোনচোপ শীজিন্নদুনা লাও খোংবা তম্পাক্কী মীওইশিংদি তৌনদে। য়াম্নুং হায়রগা থৌগল্লোন কায়দনা থাঙনা থৌগল তৌনরকপা কাঙলুপনি হায়বসি নীংশিংবা চুম্মী ।

নোং চিফেৎ চিফেৎ চুরিবা,থোক্লিবা থৌদোক মওং,ওইরিবা ফিভম,লৈঙাক্কী মতৌ,সেন্টরনা য়েংলিবা মীৎয়েং,মীয়াম্না লাওরিবা খোল্লাও অসি তশেংনমক হৌখিবা জুন ১৮,২০০১গী থৌদোক অদুগা য়াম্না মান্নে। ঙসি চহী ২২ হেল্লবনি। হন্দক ওইরিবা অসিদি হৌখিবা থৌদোকশিংদগী ফিভম শোকপা অমদি অরুবা মতাং অমনি। থোক্লিবা অমদি ওইরিবা থৌওং অসি লায়না লৌবা য়াদে । ঐখোয় তম্পাক্কী মীওইশিং অসি ফত্তবা খনগন্দে, মীনুংশি চাওই। ফনা লাইরবা,লৈতবা ওইরগসু নিরগা চাবগী হৈনবী লৈরক্তে। ঙাকপীবা হৈ, য়েক্লবা ওইরগসু লাল্লে হায়রগদি ঙাকপীগল্লি । শুবা-নোম্বা কনবা, মচা চাওনবা ইমুং মনুং পুবা ঙম্নবা হোৎনরগা লাকখিবা ঙাক্তনি। য়ুম অমা পুবদা নুপীশিংনা হেন্না থৌ পুরকখিবা অদুগুম্বা লৈপাক্লি। হৌজিক ইতিহাসকী ৱারী লীবা মতাং চাদে ।

লানসি নেমদ্রি। থেংখাং কয়ারক্তা পুক ফরুবগী তুমিন্না লৈরুবদগী মণিপুরগী লম পীকশিনলকখিবা,মীতোপ্পা মশীং হেল্লকখিবা কোমথোকলুবদগী থোকলকখিবা ঙাক্তনি। হৌজিক ম্যানমারদগী হায়দোকলকখিবা নামৈ য়েপ্তুবা কুকি শেংদবা শামরক ঙামরক ওইবা ড্রগ ললোনবশিংনা লমদমসিগী কুকি অপঙবশিংদা থেন্নগা খুরক্কী ঈনা লাই শাহল্লকপনি হায়বসি খঙলবনি। রাজনিতিগী লালোংদা কুকি লালহৌবশিংদা ভোট খোম্নবা মতেং নিরুবগী কুকি লালহৌবশিংনা হায়দোকলক্লিবা ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরবদি মীচম্নদি লানথেংনবা ঙল্লরোই। অসিগুম্বা অরানবা রাজনিতিদা লৈপাক কায়নবা হোৎনরিবশিংগী মথক্তা এফ আই আর পান্দুনা চৈরাক পীনবা হোৎনবদা অখণ্ড অহৈশিং, আইনগী মীওইশিংনা হোৎনবীগদবনি। লায়নাসিগী মরুওইবসি রাজনিতিদা ওইরম্মী। লাল অসি ফিরালগী লালনি। রাজনিতি তৌবশিংনা থেংনবীয়ু। মশাগী কান্নবা থিবদা মীচমদা অৱাবা তাহনবসি হৌজিক খঙলবনিনা লৈপাক মীয়ামসু মীশিং নাশিংবা চূল্লে । ভোট ময়াদদি পংথনরগুমসি। ঐগী হায়বসি থাদোক্লগা লৈপাক্কী মীয়ামগী খল্লগা থবক তৌমিন্নরসি । জুন ১৮ অনী শুহনগনুসি । নার্কো টেরোরিজমগী লান অসি থেংনহৌদ্রগদি মণিপুরদি মুৎখ্রগনি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -২১

মতম হায়বসিনা অসুম অসুম পুরক্তুনা চহী অনী ফানীংচিৎ হৌখ্রে। থোইবীদু উনবদা খৌমুক খৌমুক তৌনরবসু থোইদোক্লা কৈসু লুনা অমদি চেকশিন্না খল্লুবা লৈত্রে। ইচম চম্বা ইমুং মনুংগী মীদৌনা উরকপদৌনা তৌখ্রে। ঙসিদি হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামনেসন হায়দোক্কনি হায়বা নুমিৎনি। ময়ামসি অমুক্তোইবা পরিক্ষা হায়দোক্তৌরিনি হায়না চিবোন চিবোন ঙাঙনৈ। অঙাং নুপীমচা খরদি পরিক্ষা হায়দোক্তৌরে হায়দুনা ফমুংদা চেনশিল্লগা ফৈজুপ চিংখৎলগা হিপচিনবা কয়া অমসু য়াওনরি। মোইগীদু তূম্বগীদি ওইরম্মোই। কনাগী তূম্বা গাইয়ে। পরিক্ষাদু হায়দোকপদা চিথ-নাম্থহৌদনগা য়াওরক্ত্রদি হায়দুনা লোৎপোই কৈদৌবোই হিপচিনবা ওইরমগনি। মী পূম্নমকসি অমুক্তোইবা খোইরেন মসা পাইবগা চপ হেক মান্নে। ময়ামদুগী মরক্তা ঐগী নুপী মেমীনা মহেল্লে, মশাদু পুমতাও তাওবদৌনা কোইলাং লাংবা। নুংথিল পুং অনীদা ফল লাওথোক্কনি হায়বদু ঙন্তানা মফি শেৎলগা বোর্ড ওফিস মমাঙদা লেপ্পগা ঙাইরুনি হায়না চৎখ্রবনি। ঐনবু খল্লি, কৈগীনো মানা অসুক য়াম্না থৱায় য়াওরিসিবো হায়না। ঐ টিভি য়েংদুনা ইথন্তা তূমিন ফম্মী। মপান্দগী শোৎ পেক ফাও হেক লাউদখৈ ইমুংদা থোইবীদু চঙলকই। ঐ লৈরম্বদু উবদা খংপ্রেক খংবা জাৎনি।

"হায়মা?"

"কৈদৌরে?"

"ইতাদি"

"চৎখ্রে?"

"কাইদা?"

"খঙদেনে, পরিক্ষা হায়দোক্তৌরি হায়ব্রা কৈনো হায়গুম তৌবনি। কনাগী পরিক্ষানো খঙদেনে?"

ঐগী ৱাদু তাবদা থোইবীদু মশাদা জিং লাওব্রা কৈনোমা তৌখিবা মাল্লি। শাওরুংননা খুন্মকই।

"ঐগী পরিক্ষা হায়দোক্তৌরি অদুগী ওইরমগনি?"

"এহ নঙদি করিগী পরিক্ষা?"

"নথৌ নত্তে, হংবীরক্কনু, ঐ চৎলে" হায়রগা মমাই লৈথোক্লগা খোঙথাং অমনী থাংলগা থোঙগী থোঙজিনদু হেক য়ৌবগা ঐনা খাল্লুই।

"ঙাইখোনে"

"কৈনো?" চপ লেপ্পগা মমাইদি লৈশিল্লক্তনা খুল্লকপনি।

"ৱা হায়খিগেনে?"

"তানীংদে"

"এহ! য়াম কাকইদা"

"কৈনো?" মমাই লৈশিল্লক্লগা থোইবীনা মাগী কোইরাওনরবী মমীৎতুনা ঐঙোন্দা মুন্না য়েংলগা হংলকপনি। ঐদি মাগী মতৌদুদা পুমঙক ঙকখ্রে। থোইবীনা খিতং শাওরুংননা মমিৎ নুংশিবদুনা লাওতক তৌরগা চাদৌখৈ য়েংবগাইদু অমুক্তা উজরক্ত্রি। ঐনা খল্লুই, থোইবীসি ফদি ফজবজাৎনিকো। মাগী মহৌশাগী ফজবদু ইহন হনদ্রিকো। ঐগী তিঙক মাইঙক্লবা ইতৌদুদা মানা খোঙথাং অমা অনীগুম্বা থাংজিল্লগা হায়রকপদুদা ঐ লৌশিং তারকখি।

"করি চাগে হায়দনা অদুক মুন্না য়েংলিনো?"

"কৈসু চানীংদেদা"

"অদু ওইরদি অদুমাইনা মোন্দ্রং চুরক্কনু। নঙ ঐগী ইতাগী নুপানি। নশক্তু য়েংনীংদে, ঐনা খোইদৌ শাওগৎলক্তনা লান তৌজনি"

"করি লান?"

"নুপী লান"

"য়ারে য়ারে লানগা অমত্তা পামজদ্রে"

"কৈগীনো খাম্মীসে, করি হায়দুইনো?"

"পরিক্ষা হায়দোক্তৌরি হায়সি করম্বনো?"

"ইচানুপা থারি"

"হোইনে চুম্মীনে, অদুগীরা চৎখ্রিদো"

"ওইরমগনি" হায়রম্মগা মমাই হুৎ লাওনা লৈথোক্তুনা চৎখ্রে।

"ঙমহল্লকউকো" ঐনা লাউদুনা লৈহৌই। থোইবীগী মচানুপাদু ক্লাস টেন থাখিবনি, ঐদি পুমকাউ কাউথোক্লুরে। ঙম্বু ঙমজরদি ফদৌনি। ঐদি কন্না নোক্লিংঙিয়ে, মেমীদুনা হেন্না থৱায় য়াওশিন্দুনা মানা হান্না এগজাম হায়দোক্তৌরি হায়না ঙাইঙমদখৈ চৎখ্রিবা। মশানা অদুম খঙজদৌ লৈরদুবু। খন্না খন্না ঐ উইরুরমাল্লে সোফাদুদা ঙাথদুনা। মেমীনা মাঙ থারগা থোইবীগা মবানি ৱা ৱা নোক্তুনা চঙলকপগী মখোল তাবদুদা ঐ মীকপ থোরকখি।

"ঐনা হায়দ্রা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌনি হায়দনা"

"পূম্নমকসি হিংচাবী নঙনা ইচাদু ট্যুসন থাদুনা মতেং পাংবীবদগী তৌরিনি। ইমা ইচানা নঙগী লমনসে শিংবা ঙমদনা তোনশিল্লে"

"থোইবী অদুম্না হায়নু ঐ তাবদা নুংঙাইতে। ঐনা ইচাগীদমক খরা তৌজবদুবু নঙনা লমনগাইনা পল্লক্লবদি ঐনা হোৎনরুরিবা অদুগী মমল অমত্তা লৈহন্দ্রে"

"মেমী শাউগনু ঐদি চুম্না সুম হায়বনি, অদুনা ফত্তবা খল্লগা হায়বা নত্তে"

"শাউদেদা, ফরেসে, ইচাগী মীং চনবগীসু খন্নসি, অদুগা ইচানা ফর্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরকপগী ঙসিদি ইচানা চানীংবা এঞ্জাং অমা পীজদৌরিনি। চৎলো, ইচাদু পুরগা থুনা লাক-ও"

"কোন্না চাসিদা"

"কৈনো কোন্না হায়বো?" ঙসি সুক নুংঙাইরিসিদা চাহৌদনা করম কান্দা চাদুইনো?"

ঐ মখোয়গী ৱারীদুগী মপা চপ চানা চঙশিল্লগা হংলুই।

"কমাই তৌরে?"

"ফর্ষ্ট দিভিজন"

"য়াম ফরেনে"

"চাক অমা শিন্দৌরি ঐখোয়সিদা"

"য়াই য়াই, করি থোংদৌরি"

"ইচানা চানীংবা অমা থোং তারে, অদুগী ইতা থোইবীদা ইচাদু লৌরুরো হায়রম্মীনি। মোই মপানা লৈবীরু তাইয়ে, থোংবসু তাইয়ে'

"য়াই য়াই লৈজগে থোংজগে"

ৱা ৱা নোক্তুনা থোইবীগা মেমীগা থোকখ্রে। ঐসু ৱাশরুমদা চঙদুনা মাই তাথোক্লুরি।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**